# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-02-2025)**

**সাইভর (এল)ঃ** সাইভর ক্রাইমগী এস.পি. নিংঙোম্বম জোন সিংহনা হায়রি- সাইভর ফাইনান্সিএল ফ্রাউদ মনিপুরদা য়ামা কন্না চথরক্লি।

মহাকা হায়-পীকখ্রবা রাজ্য অসিদা ইং ২০২৪ দা লুপা কোতি ২৫ লাখ ৪৫ রোমগী সাইভর ফাইনান্সিএল ফ্রাউদ কেস লৈখি। শ্রী জোননা হায়-সাইভর ফ্রাউস্তরশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী উপায়শিং শিজিন্নদুনা মীয়ামদগী শেল লৌথোকবা হোৎনৈ।

মহাকা হায়-অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেট, পুলিস, সি.বি.আই. শাদুনা টেলিফোনদা ফোন তৌরক্লগা দ্রগকা মরী লৈনবা কেসশিংদা ফারে হায়জিনদুনা শেল লৌথোকবা হোৎনৈ। মসিগী মথক্তা সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা অহোংবা মমলদা পোৎ-চৈ ফংগনি হায়দুনা অরানবা পান্থে শিজিন্নদুনা শেল লৌথোকপগী থবকশিংসু চথরি।

এস.পিনা হায়-সোসিএল মেদিয়াদা মীয়ামনা মশা মশাগী ওইবা লন্নাইগী ফোটো অমসুং ভিদিওশিং সিয়ার তৌবিরোইদবনি। মসি মুথৎখ্রে হায়রবসু দিজিটেল মনুংদা লৈবনা কনাগুম্বা খরানা অরানবা পান্থে শিজিন্নরকপা য়াই। অসিগুম্বা নাতে চাদবা ভিদিওশিং সিয়ার তৌরবদি আইনগী মতুং ইন্না চহি মঙাদগী ১০ ফাওবা জেলগী ফাদোক ফংগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ককচিং জিলাগী পনজাউ পল্লুমদগী ফাজিল্লুবা খুল ঙাকপা মীওই ২৬ থাদোরকখ্রে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী-নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-খুল ঙাকপশিং অদু ফাখি হায়বা পাউ ফংবদগী ককচিং কৈথেল অমসুং দুকানশিং থোং লোন্নখি। মৈরা পায়বীশিংনা লম্বীদা থোরক্তুনা খুল ঙাকপশিং

ফাবা য়ারোই, থাদোক্কদবনি হায়দুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। তুংদা, ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দ, জিলা অসিগী এস.পি. টি.ঐচ. বিক্রমজিৎ সিংহ অমদি ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা ৰারী শান্নরবা তুংদা ফাজিল্লুবা খ্ল ঙাকপা ২৬ মক নুংথিল থাদোরকখি।

খুল ঙাকপশিং ফাখিবগী পাউ শন্দোরকপদগী মফম কয়াদা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা নুপীশিংনা লম্বীদা থোরক্কুনা টয়ার মৈ থাবা অমসুং লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিন্নখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** মেদিয়া এস ফোর্স মল্টি প্লয়ার ফোর ক্লাইমেট এক্সন হায়বসিদা নোংমগী ওইবা মেদিয়া ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি।

এদিটরস গীল্ড মনিপুর দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ওফ ক্লাইমেট চেঞ্জকা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহা, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-টি. ব্রজাকুমার সিংহ, অমজগী প্রসিদেন্ট-বিজয় ককচিংতাবম, মনিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট-পিটর অদানি অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াগনি। টেকিকেল সেসনদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংগনি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** এইমস কম্মন রিক্রুইটমেন্ট ইগজামিনেসন (সি.আর.ই) ২০২৪ দা মনিপুরদগী পরিক্ষা থাগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অতৈ রাজ্যশিংদা পরিক্ষা সেন্টর পীবা অসি নৌহৌনা য়েংশিনবীনবা রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী দাইরেক্তরদা হায়জখ্রে।

দাইরেক্তরদা ইবা চেরোল অমদা সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়-গ্রুপ (বি)

অমসুং (সি) পোষ্টকীদমক কেন্দিদেট খরনা ইম্ফাল সেন্টরদা পরিক্ষা তারগা কেন্দিদেন্ট খরবুনা অসাম, নোংচুপ বেঙ্গোল, নোইদা, মহারাস্ত্রা অমদি অৱাং ভারতকী মফম কয়াদা পরিক্ষা সেন্টর পীরিবা অসি রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভমনা চৎথোক চৎশিনদা তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী য়েংলগা অমুক হন্না য়েংশিনবীনবা চেরোল অদুনা হায়রি।

**বুক (এল)ঃ** মালেম পুন্বদা ইন্টরনেসনেল য়ুনিয়ন ওফ লেফট পাব্লিসরনা শিনদুনা পাঙথোকপগুম ঙরাং লাঙ্গোল পাব্লিকেসননা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা রেদ বুক ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মাক্সিস কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাঙ্গোল পাব্লিকেসনগী সি.ই.ও. ক্ষেত্রিময়ুম সান্তানা লুচিংদুনা কোটেসন ফোরম চেয়ারমেন-মাও সে তুং হায়বা মালেমদা খ্বাইদগী য়ামা মীয়ামা পান্নবা লাইরিকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লাইরিক অসিগী অহানবা চেপ্তর-কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি পামীন্নখি।

**মেলা ঃ** পুসা ক্রিসি বিগ্যান মেলা ২০২৫, ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হৌদোক্লগনি। নুমিৎ হুমনি চখ্থগদবা মেলা অসিগী হীরমনা 'উনৎ ক্রিসি-ভিক্সিত ভারত' হায়বসিনি।

ক্রিসি বিগ্যান মেলা অসিদা ইন্দিয়ান এগ্রীকলচর রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা শেমগৎপা অনৌবা মখলগী পোৎথোকশিং অমসুং টেকোলোজিশিং উৎকনি। মসিগী মথক্তা অনৌবা টেকোলোজিশিং, পোৎথোকশিং, ইন্দিয়ান এগ্রীকলচরেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট, ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রশিং, ফামরস প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসনশিং, ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিং অমসুং স্তার্টঅপশিংনা লৌমীশিংগীদমক পীরিবা থবক থৌরমশিং উৎপা ইগজিবিসন অমসু পাঙথোক্কনি।

**জগোই ঃ** মধ্য প্রদেসকী খাজ্‌রাহোদা পাঙথোকখিবা ৫১ শুবা খাজ্‌রাহো দান্স ফেষ্টিবেলদা জগোইগী আর্টিষ্ট ১৩৯ না পুং ২৪ মিনিট ৯ সেকেন্দ ২৬ চুপা লেপ্তুনা জগোই শাদুনা গুইনিস বুক্তা ৱার্ল্ড রেকোর্ড থমখ্রে।

আর্টিষ্টশিং অদুনা কথক, ভারত নাত্যম, কুচিপুরি, মোহিনিয়াতম অমসুং উরিসি জগোইশিং মথং মথং শাদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্ড অদু থমখিবনি। গুইনিস বুক্কী টিমনা ৱার্ল্ড রেকোর্ড চনবগী সার্টিফিকেট অদু মধ্য প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মোহোন য়াদবতা খুৎশিন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

খুল ঙাকপা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমী ২৬ এ.আরনা ফাজিন্দুনা থল্লুবদগী মীয়ামনা ইরাং হৌরকখিবা, গভনরনা সভাপতি ওইদুনা রিভিয়ু মীতিং পাঙথোকখিবা অমদি জন্‌ ১৮ দগী হেন্না তমথিবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়বা এম.পি. সনাজাউবগী ৱাফম মরুওইবা পাউশিং ওইনা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-খুল ঙাকপা ফাবগী ৱাহৌদা মীয়ামনা খোঙজং চংশিনখি। দুকানশিং থোং লোন্নখি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, গানফিয়ু মেল অমদি তমেংলোং টাইমতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কৌত্রুক কদাংবন্দ থৌদোক্তা দ্রোন বোম ৪০ রোম থাদখি হায়বা এন.আই.এগী রিপোর্ট সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সনা লৈবাক্তা-জন্‌ ১৮ দগী হেন্না তমথিবা থৌদোক থোরকপা য়াই, খুল

ঙাকপশিং অসি ফিভমনা ওইহল্লকখিবনি। এর্ন্টি নেসনেল নত্তে হায়বা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-নহারোলগা থৌদাংদনা খুৎলায় পীখৎলকবা থাখিবা পুংফম শুদ্রিঙৈ খুল ঙাকপা ফাগৎপনা ইরাং হেন্না চাউথোরকপা য়াই হায়না হেদলাইন তৌরি।

সেক্রেটরিয়েটতা গভনরনা চেয়ার লৌদুনা রিভিয়ু মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরবু স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়বা ৱাফম মশেল মরাংহন্নবা হোৎনবা য়াওরব্রা, খুম্মন লম্পাক্কী হোকি ষ্টেদিয়মগী কা ৩২ ক্বাটর ওন্থোক্লবা নৎত্রগা মমল লৌরগা শান্দোক্লব্রা হংনরক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভনর সেক্রেটরিয়েটতা থবক শুবা হৌখ্রে। ঙসি কাংপোকপী অমসুং সেনাপতিদা চৎতুনা ওফিসিএলশিং অমসুং সি.এস.ওশিংগা উন্নগদৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতস্ অহানবা লামাইদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গভনরনা আপিল তৌবদগী নোংমৈ পীখৎলকপা হৌরে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নোট তৌবা য়াদবগীদমক ক্লাস টেনগী ইগজাম লোইরকপদা মহৈরোইশিংনা স্ল থুগায়রল্লে হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এনিমেসন সসপেন্সন লৈরিঙৈ মনুংদা চীফ মিনিস্তর ওইবা য়াবা মীওই খন্ননবা বি.জে.পিগী এম.এল.এ. মিনিস্তরশিংগী মরক্তা লোবি তৌবা হৌরে হায়না তমেংলোং টাইমসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-গভরমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী শান্তিগী ৱারী মখা চত্থনবা য়ান্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।